এডিটোরিয়েল
ꯑꯦꯗꯤꯇꯣꯔꯤꯌꯦꯜ

নুমিৎ ২১ নি লোকদাউন তৌবা
লৈকাই খূদিং শম্বল খাবগী থৌওং অফবা ওইরোই

মতিক ময়াই চেল্লবা কোভিদ – ১৯ হায়বা দিজিজ অসি ঐখোয় মীওইবনা নীংথিনা লাকশিন্নবা মখল মখা কয়াগী খোঙথাংশিং লৌখৎনরি। মসিবু থেঙননবা মখল অমত্তগী হীদাক পুথোকপা ঙমদ্রিবা মরম্না মীওইবদা শন্দোরকপা থিংননবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি যূমদগী মপান থোক্তনা লৈবা হায়বসিনা ওইগনি। মসিগী মথক্তা খরা হকচিন্না তৌসি হায়রগনা মীওইবা অমগা অতোপ্পা মীওইবা অমগসু মিটর অমগী এরিয়াদা নক্না লৈমিন্নদবা হায়বসিনি। ফনা য়াম্না কনবা অথিংবা থম্লগসু ঐখোয় চাদা থক্তবদি য়াদবনিনা পোৎ–চৈ লৈবা নৎত্রগা য়োনবগী তানফমসু লাকপা য়াই। অদুবু ঐখোয়না কাউরোইদবদি পোৎ লৈবা লাক্লিবা মীওইশিংদু মিটর অমমম লাপথোক্নহল্লগা লেপকদবনি অমসুং পোৎ য়োল্লিবা মঙোন্দগীসু মিটর ১ লাপ্না লৈহল্লগা শোক্ন–শম্নদনা পোৎ পীগদবনি, শেল লৌশিনগদবনি। কনাগুম্বা খরনা পাউচে নৎত্রগা শেলদা পক্লকপা কোরোনাভাইরস মীওইবদা শন্দোকপা ঙম্মী হায়নরগসু অখঙ অহে খরনদি অদুগুম্বগী খূদম চাংদম অমা ফাওবা ফঙবা ঙমদে হায়না ফোঙদোকই। অদুবু ঐখোয়না হৌজিক্কী ওইনা মীওইবনা মায়থিবা পীবা ঙমদ্রিবা লায়না মখল অমা ওইবা মরম্না ঐখোয় পূম্নমক যূমদগী মপাল থোক্তবা হায়বসিনা খ্বাইদগী অফবনি। লৈবাক অসিগী মীওই বিলিয়ন ১.৩০ রোম অসিবু যূমদা লেঙদনা লৈনবা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা নুমিৎ ২১ নিগী টোটেল সটদাউন অমমুক লাউথোকখ্রে। থৌরাং অসিনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা লায়রবা মীওই ক্রোর কয়াদি চানিঙাই থক্লিঙাই লৈতবগী অৰাবা মায়োক্নরগনি। মখোয়দা মচি ওইবা চীঞ্জাক করম্না য়াওহনবা অমসুং মীয়াম্না শীজিন্নবা কোন্নগদবা চীঞ্জাক পুথোক্কদগে হায়বসি অরায়বা অমদি ওইদে। লৈঙাক্কী পূক্কেদা চেং, হৰাই, থাও, থুম খরদি লৈবা য়াই। হায়রিবা পোৎলমশিং অদু লোকদাউন মনুংদা মীয়ামদা ফঙহন্নবা হোৎনবদা টোটেল সটদাউন প্রোটোকোল কায়হন্দবা হায়বসিসু অরুবা অমনি। লুরিবা ৰাফমদি ময়ূম–মকৈ লৈতবা, লায়রবগী চৈথেং ফঙলিবা মীয়ামদা চানা–থক্নবগী পোৎলম শুনা ফঙহনবা হায়বসি লৈঙাক্কী থৌদাংনি। মখোয়দসু নত্তনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা য়াইমরপ ওইনা শেনমীৎলোনগী ফিভম ফবা মীওই কয়াসু ময়ূম ময়ূমদা থা অমগী চাননবা চীঞ্জাক পৈনদে। চয়োলগী নৎত্রগা থাখায়গী ওইনা লৈরগা শীজিন্নবনি। হৌজিক্তি থবক শুবসু লেপ্পা তারবনিনা কদায়দগী শেনফম্না চাননবা পোৎলম লৈগনি ? মসিগীসু মথক্তা দুকান অমদা লৈরিবা পোৎ অদুসু লোয়খ্রগা মহুৎ শীজিন্নবা পুরকপগী লম্বী লৈতবনা অৰাবা ফিভম অসি হীরম খূদিংমক্তা মায়োক্নদুনা লৈরি।

মালেমগী লৈবাক ১৯০ রোমদা শন্দোরকখ্রবা লায়না অসি মণিপুরদসু য়ৌশিল্লক্লে। মশাগী চহী ২৩ রোমতমক শুরিবী চনু নিঙোল অমা কোরোনাভাইরস পোজিটিভ ওইরম্বদগী মণিপুরগী মীয়াম পূম্নমক অকিবনা পিক থন্নরে। লৈঙাক্লা মীয়াম পূম্নমক যূমদগী মপান থোক্তনবা কর্ফিয়ু থমজিল্লিঙৈগী চৈরক্তা লৈকাই খূদিংগী চখোক চৎশিন য়াদনবা মীচম মীয়াম্না শম্বল খাজিন্নরক্লি। লৈকাইগী মীওইসু মপান থোকপা য়ারোই। অতোপ্পা লৈকাইগী মীসু চঙলকপা য়ারোই হায়দুনা থিংলি। লৈকাই অদুগা করিগুম্বদা কোভিদ –১৯ পোজিটিভ ওইবগী খূদম চাংদম ফঙবা অনাবা অমা য়াওরক্লগদি মহাক লৈকাই অদুদা অদুম্মক থম্বা য়াগদ্রা? মসিদসু নত্তনা মীওইবা হায়বসি নাদ–য়েক্তবা নৎত্রগা খূদোংথিবা হায়বসি অদুম লোয়নদুনা লৈবনা অৰাবা তারকপদা হোস্পিটালদা চৎকে হায়বা তারগদি কমদৌগদগে? অতোপ্পা লৈকাই অমনা অমুক শম্বল খাজিন্দুনা মখোয়গী লম্বী থিংদুনা লৈকাই ফাওরগা চৎপা য়ারোই হায়রগদি করম তৌগনি? পূম্নমক অসিগী মথক্তা কোভিদ –১৯ ফ্রন্টলাইনদা থেঙনরিবা ডাক্তর, মেদিকেল ষ্টাফশিং, পুলিস পার্সোনেলশিং অমসুং পাউমীশিংগী মথৌদসু অথিংবা পীরে হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈব্রা? ফিভম অসিনা ডাক্তরশিং লায়েংবা চৎত্রবা, নর্সশিং হোস্পিটালদা চৎহন্দবা য়াগদ্রা? পাউমীশিং মথৌ তৌহন্দবা য়াগদ্রা? পূম্নমক অসি মুন্না খন্নরগদি হৌজিক লম্বীদা শম্বল খারিবদু ৰাখল মপুং ফাদবগী থবক্লি হায়না লৌগনি। লৈকাইগী মরুওইবা লম্বীশিংদা শম্বল খাবগী মহুত্তা অদোম অদোমগী য়ূমগী কোম্ছোংদা ওইনা শো লোনবিয়ু। য়াম্না নুংঙাইতবা থৌদোক অমনা হোস্পিটালদা মথৌ তৌরিবা ডাক্তরশিং অমসুং মেদিকেল ষ্টাফশিংবু ভাইরস শন্দোকপা কাঙবু ওইনা মীয়াম্না শোক্ন–শম্ননিংদবগী ফিভম অমা লাক্লিবসি নুংঙাইতে। মীয়ামগী থবক তৌরিবা ডাক্তরশিং অমদি অতৈ মীওইশিংনা মথৌ লেপ্তুনা ময়ূম ময়ূমদগী মপান থোক্লরোই হায়রগদি মীয়াম কমদৌগদগে? মতাং অসিদা পঞ্জনিংবা ৰাফমদি লায়রবা মীয়ামদা থক্ন–চানবা পোৎলমশিং য়ৌহনসি। লৈরক্তা, লম্বীশিংদা মীওই কয়ানা শম্বল খাজিল্লক্লিবশিং অসি লৌথোকহল্লু। পাউচে পুদনবা হোকরশিংনা লৌখিবা ফিরেপ অদুসু হন্দোকহন্নিংই।

ꯅꯨꯃꯤꯠ ꯲꯱ ꯅꯤ ꯂꯣꯛꯗꯥꯎꯟ ꯇꯧꯕ
ꯂꯩꯀꯥꯏ ꯈꯨꯗꯤꯡ ꯁꯝꯕꯜ ꯈꯥꯕꯒꯤ ꯊꯧꯑꯣꯡ ꯑꯐꯕ ꯑꯣꯏꯔꯣꯏ

[illegible]

অপিকপা অতোনবা অমসুং অতোনববু তুহৎপিবগী মহয়রা

(চৈরাওবগী চহীনা হৌরকপদা মালেমগী হিংমিন্নরিবা খূদিংবু লায়না তিন্নাদগী ঙাকথোক্কুনা পূন্সি নুংশাংবা ওইরসনু)

য়েন্নীংথাগীদমক
ডা. এন. সি. শান্ত

মালেমদা খুন্দাদুনা লৈরিবশিংগী মনুংদা মপাঙ্গল কনবা শোনবা কয়া নত্তনা অহিংবা হিংদবা কয়াগীসু মরক্তা অপিকপা, অচৌবা, অকনবা, অশোনবা, কয়া অমসু লৈরি।মখোয় লোয়নমক মানা মানা ঙম্বা থাক্তা হিংদুনা লৈদুনা অদুমক লাকপা ঙাক্তনি। অদুবু লুরিবদি অকনবনা অশোনবদা তুহৎপা হায়বসি শা–ঙা মীওইবা কাঙলূপতা য়াম্না তোয়না উবা তোয়না থোকপা অমা ওইনা থেংনদুনা লৈরি। টি ভি চেনেল খরদসু শা ঙাশিংগী মরক্তা অকনবনা অশোনবা কয়াবু হাৎপা চাবা কয়া তৌদুনা তুহৎপিবা কয়া নুংঙাইনা উবা ফঙই।

নাকল অমরোমদসু অকনবা লৈবাক কয়ানা অসোনবা লৈবাকশিংদা তুহৎপিবা ওৎপীবা কয়া ঙসি ফাওবগী মালেমসিদা উবা ফঙলি। হায়নবা কয়া অমসু লৈখি অকনবনা অচুম্বা শকই, পূন্সিসি খূদোংথিবা কয়া অমা মায়োক্নদুনা লৈগনি, থৰায় পানবা খূদিংমক চপ মান্নে, হায়বনচিংবা কয়া। চহীচা খরগী মমাঙদগী লায়না কয়া লায়চৎ ওইনা লাকখনবসু হনবা লৈতে লোয়বা নাইদে। ঙসিসু চাইনাগী ব্রুহান্দগী হৌরকখিবা কোভিদ –১৯ গী লায়নানা লায়চৎ ওইনা শন্দোরকপা অকিবা ফাওনরি। অদুবু উশিৎতবদি অদুমক য়াওনরি–মরমদি অকনবনা অশোনববু তুহৎপিবগী চৎনবী অমা মালেমগী থাক্তা শন্দোকখিবদগী কোভিদ –১৯ অসিসু করিসু খন্দবা লৈবাক অমদি মীওই কয়া হৌজিকসু লৈরি হায়বদা লানগদবা মান্দে।

ঐসু ৰাখল নুংঙাইত নুংঙাইত লৈরিঙৈদা নীংশিংলকখি, ফোঙদ্রিবা শৈরেং অমা কুমজা ২০১২ দা ইজখি। করিগুম্বা ৰাখল অমদগী মমিংনা 'বুল ওফ স্মোল থিংস'' হায়বনি। মদুদা ইজখিবসি অপিকপা অশোনবশিংগী মথৌনা মপাঙ্গলদা থাদুনা জিখিবনি। মখোয়বু উশিত্তবা তৌবিগনু হায়দুনা। নীংশিংলকই, কিরকপসু য়াওই শৈরেংদু ইরুবদগী তৌরকপা জাৎলা হায়না খল্লকখি কোভিদ –১৯ গী মহাক্কী লাইচৎ।

অচুম্বনিনা, মালেমদা কোভিদ – ১৯ গী অৰাবা মায়োক্লরিঙৈগী মরক্তা য়াম্না থওই উশিত্তবা মান্দুনা অচৌবা লাঞ্জাও ওইরকপা য়াবা ৰা কয়া কয়া মালেমগী অকনবা লৈবাকশিংগী অমসুং তুহৎপিরীবা লৈবাকশিংগী মরক্তা উংখৎনরকপসু য়াওখি। মসিমক লায়না অসিগা য়েংনরকপা মতমদা য়াম্না লাইবক থিনিংঙাই ওইরি।

মথক্তা থমজখ্রিবা ৰাফম খরদা সাইন্টিফিক ওইদবা ওইরগসু ফিলোজোফিকেলগী চাংদি ৰাংনা চুম্লি। সাইন্টফিক লাইনদা হায়জবা তারগদি চহী মিলিয়ন কয়াদগী লৈরক্লবা মালেমসিদা অহোংবা কয়া লাকখ্রে। অহিংবা হিংদবা অনীগী মরক্তা। অদু ফাওবদা হৌজিকসু লেপ্পা লৈতনা অহোংবা নাইরি। মসিগী তাঙ্কক কয়াদা অকনবা অচৌবা খরদনা তেক্ত কায়দনা লৈহৌবা, অপিকপা অশোনবা কয়াবুনা নমথরগা অদুমক লৈয়ু হায়বসিদি ''নেচরেল রুল ওফ লো'' না য়াবা ঙম্লোই। অদুগীসু মথক্তা চাউখৎলবা খঙ–হৈরবা লৈবাক কয়ানা অনৌবা চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎলকপদা, চাউখৎপা ৰাংলিবা লৈবাকশিংনা চাউখত্তনা অদুমক লৈবদি য়াগদবা মান্দে। অসিগুম্না চাউখৎপগী লমজেলদা, মালেমদা অওনবা কয়া লাকখিবনা অইং অশা, অহিং হিংদ কয়াগী খোঙচৎসু অহোংবা কয়া লাক্লি। মখোয়দুগী মনুংদা, অমগা অমগগী মরক্তা খৎনবা উংখৎনবা কয়া অমসু মথং মথং হেনগৎলক্লি।

> *হৌজিক মীওইবা খুন্নাইনা খুল্লিংবনি খঞ্জরিবা মালেমদা অপিকপা জীবশিংনা অহেনবা পাঙ্গল ফুদোরক্কুনা অচৌবা শাফু অমা হেক হেক পীবা ঙম্নবা হোৎনরকপগুম তৌরি। মরম অসিনা করি করম্বা মওংদা পূকমেন পাউমেন্নদুনা অপিকপা অশোনবশিংনি খল্লিবা মহীকশিংসিগা করম্না অফবা মরী থমদুনা লৈমিন্নগদগে হায়বসিরোমদা খোঙ থাংজিনবা তারি। নৎত্রবদি মালেমদা, অকনবগা অশোনবগা অনীগী মরক্তা অকনবা লাঞ্জাও অমা থোরক্কু না মালেম অসিদা পুন্না মুৎমিন্নবা য়ারি।*

পূম্নমকসিদগী খঙগদবদি অহিংবা হিংদবা পূম্নমক্কী লেঙফদ্রবা খোঙথাংদি নেচরেল লো ওইবা তাই। নেচরেল লোগী রুল অমা হেক কয়াথরকপদা মালেম অমদি মালেমগী খোঙথাংদা অচৌবা অকায়বা অমা ওইগদৌরিবনি। মসিমক চহী চা খূদিংদা হেক হেক লাকপা য়াবা ওইরিবা কোরোনাভাইরস (কোভিদ –১৯) গী ভাইরস অসিসু অমনি হায়বা তারি। অচুম্বসু ওইরি মীওইবা হায়রিবা কাঙলূপনা হেন্না খঙ–হৈনা মালেমদা পানগে অদুগা মহীক মতাই মখোয়বুনা অমোৎপা মফমদা পংলৈদা লৈবা তাবনি লৈজসনু হায়বা থিওরিদি লানগদ্রা খল্লি। মখোয়গী অহেনবা পাঙ্গল ফুদোরক্কুনা অচৌবা শাফু অমা হেক হেক পীবা ঙম্নবা হোৎনরকপা মাল্লি। অদু ওইরবদি হৌজিক মীওইবা খুন্নাইনা খুল্লিংবনি খঞ্জরিবা মালেমদা করি করম্বা মওংদা পূকমেন পাউমেন্নদুনা অপিকপা অশোনবশিংনি খল্লিবা মহীকশিংসিগা করম্না অফবা মরী থমদুনা লৈমিন্নগদগে হায়বসিরোমদা খোঙ থাংজিনবা তারি। নৎত্রবদি মালেমদা, অকনবগা অশোনবগা অনীগী মরক্তা অকনবা লাঞ্জাও অমা থোরক্কু না মালেম অসিদা পুন্না মুৎমিন্নবা য়ারি।

মরম অদুনা খল কায়দবা মওংদা চাউখৎ লম্বীগী কয়াৎ শেম্বা তারি। অইং অশা ঙাক্লা থম্বা তারি। অকনবা লৈবাক্লা অশোনবা লৈবাকপুসু উশিৎপা তারি। অপিকপা উফুলগুম্বা কয়াবুসু উশিৎপা তারি। ফজবা, লূ–নানবা হায়বসি অমনা অমবু পীক্লবসু চাউরবসু উশিৎনবা হায়বসিনা মরুওইরি। তিম্প্রোক, হারৌ, তিল–কাং, মহীক মতাই কয়াগী লৈফম ওইরিবা কয়াবু তকথোক হুন্দোক্কুনা তরু তরু তনান্না লৈগে হায়বসিদা অকনবনা অশোনববু তুহৎপিবগী ৰাফম অমা ইয়াওদা য়াওরি। অসিগুম্বা, ৰাফমশিং অসিনা মাঙদা থাদুনা হেক হেক মালেমগী লৈবাকশিংগী চাউখৎ খোঙথাং লাকপদা খৎন–চৈনবা হাৎন শুনবা কয়ানা ৰাই চাইরবা খূৎশেমগী অমোৎপা কয়া থোরক্কুনা খূৎশেমগী মহীক কয়া লাকপগী খূদোংথিবদুনি ঙসি মালেমগী মীয়াম্না মায়োক্লরিবা অৰাবসে।

ফরে হৌজিক্তি, মালেমগী মীওইবা কাঙলূপনসু খঙলবা ওইরসনু মদুদি অকনবা অহৈবা অরিংবা লৈবাক মীওই কয়ানা অশোনবা অতোনবা লৈবাক মীওই কয়াবু তুহৎপিদুনা অকায়বা খলদগী থোরক্কদবা তমথি হায়না খল্লিবা শাথি হায়না খল্লিবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্ননবা পুন্না হোৎনমিন্নরসি হায়না। লোয়ননা য়াম্না ইকায় খুম্নজবা ওইনা কোভিদ –১৯ গী লায়না অসিবু নহনফমদা হঞ্জিনবিরো নতেফমদা তেবিখ্রো হায়না মপূ মাগী মফমদা থৌনিজরিয়ে।

মালেমগী অনীশুবা লাঞ্জাও মমাঙ অমসুং মতুংদা মৈতৈ নুপীগী ফিভম

টি থোইবী

পৃথিবীগী অনীশুবা লাঞ্জাও অমসুং মতুং হায়রিবসি চাউরাক্লা শোক ১৯৩০ অদুৰাইদগী হৌরগা ঐনা মতমদুগী চহী ১১ / ১২ রোম শুরকপা অদুৰাইদা উখিবা শক্তম কয়াদু মমি লাকশিল্লগা ঙসি ৰাখলগী থৌরবা মীৎয়েং অমগা লোয়ননা য়েংলগা থমজবনি। মতমদুগী সমাজদু ঐনা অহানবা ওইনা হায়জনিংই, য়াম্না থকশি খাশি নাইনা চৎপা সমাজ অমা ওইরম্মী। অঙাং পূম্নমক অহল–লমন অমসুং মমা মপানা হায়বা ইল্লম্মী। খূদম ওইনা মমা মপানা থাজবা য়োনজবা মতমদা মচানুপীশিংনা য়াদবা উৎলমদে। অদুগুমদুনা নুপাশিংনসু অদুম তৌরম্মী। মতৌ অদুগুম্না সমাজগী লোচৎ শাজৎ খূদিংদা অহল লমনগী য়াথং মতুং ইন্না তৌরম্মী। মসিমক অমরোমদা হায়রগদি ঐগী মোত্তদি থোয়দোক্লা অফবা খূদম অমনি হায়না লৌজনিংই হায়বগী আর্থদি অদুম তৌবদুনা করিগুম্বা ফত্তবা থবক তৌনিংবগী ৰাখল পোক্লকপদা অহল লমন্না করি হায়রক্কদগে হায়বা ৰাখলসিনা ইতৎ তত্তনা ফাজিল্লি। মসিমক্লা মরম ওদিনা মতমদুগী সমাজদা ফত্তবা থবক থৌওং কয়া তৌনরমদে। মসিমক্লা ৰাংখ্রবা থকশি খাশিদা যূম্ফম ওইবনরা করিনো মণিপুরী নুপীশিংনা খূৎ শোক্তবা ইরমদগী ৰাথোক লাম্ছোক লৈতে। ইশম শম্না ঐখোয়গী নুপী খুন্নায়সিগী তাংলবা লননি অদুবু শোয়থরকপা লিক্লম শেনমীৎলোনগী লৈঙাক্লোনগী মমিনা অনৌবা নুপীগী শক্তম অমা য়েক্ললকপগুম তৌই হায়বসি হায়মনবা থোক্তে।

মণিপুরগী পুৰারী ফাক্তত্তুনা য়েংবদা অচৌবা লমায় কয়া কন্দুনা লৈরিবা লমদমসিগী নুপীশিংগী থৌদোক ৰাথোক্লা শাগোন্নবা থৌরমশিংনা অচৌবা শকলোন অমা লৌই হায়বসিদি য়েৎননিঙাই লৈতবা ৰাফমনি। মসিমক্লা পৃথিবীগী নুপী কয়ানা মশাগী হক মমুৎ তানা খঙফাৎত্রিঙৈ অসিদসু নত্তনা ভারতকী নুপী কয়ানা যূমগী ফিজং মরুমদা থুপ্তুনা লৈরিঙৈ মতমদা ইরমদম মণিপুরগী নুপীশিংদি বৃটিশকী লোইলমগী মায়োক্তা নিংথৌগী ফ্যাদেল সিষ্টেমগী মায়োক্তা অপুনবা খোঙজং চঙশিনবা উখি। মসিনা মরম ওইদুনা চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজগী হাক্তক্তা শামু ফাবগী হুকুম মালেমনৈদা তাহৈদ্রবসু ককথৎহনখি। মসিদসু নৎত্রি ১৯০৪ গী নুপী লান অহানবা, অকনবা সাহেবকী লোইলমগী মচৎ ওইরিবা নমদুনা থবক শুহনবা (ফোর্স লেবর) চৎন–লোনচৎ অসিগী মায়োক্তা মতিক চানা লাম্ছেংনখিবা খোঙজং অমনি।

> *ঙসিগী লাইরিক হৈবী কয়ানা মতম খজিক্তংগী ওইবা পম্ছুং উদবা হীরম কয়াদা শেল–থুম অরং অরাক্কী ঈপাক্তা লুপ্তনা লৈখিবনা মরুওইনা অৰাংবা মীরোলগী থাক্তা লৈরিবা লাইরিক হৈবশিংদি লৈবাক্কী ৰাথোক্লা মরী লৈনদবগুম উরি। মরম অসিনা অচৌবা নুপীশিংগী খোঙজং কয়াদা চাংচত্তা লৈজবা য়াম্না হেন্না ৰাখল থোকচদবী খোঙজংসিবুদি শৌগৎপা, নুপীগী মশীং য়াম্বনা ঙসি মখল মথেলগী খোঙজং উজরবসু মফম খঙনা তাঙ্কক অমা লোয়শিনবা নুপী লানগুম্বদি ওইথোকপা হেক হেক ৰাহল্লি।*

চখরক্লিবা পুৰারীগী তাঙ্কক অসি য়েংবদা মণিপুরগী নুপী খুন্নায় অসিদা লৈবাক অমগী মদোম লেপচবা ঙম্নবা তাংলবা মগুণ ওইরিবা মরৈপাক নীংবা মরৈপাক্কীদমক খনবা, অমসুং মরৈবাক্কী অকোয়বগী থৌদোক ৰাথোক্কী শাগোন্নবা চাউনা লৈরম্মী হায়বসিমদি য়েৎননিঙাই ওইদবা ৰাফম্নি। অদুবু মণিপুরবু ভারতনা নমদুনা মখোয়গী লৈঙাক ফিভান্নুংদা তিনশিনবিখ্রবা মতুংদদি মশাগী লৌ, মীগী মমিংদা লৈখিদুনা পূক্লিং খোইদাদনা লাঙ্গোল লীক্লম কাংবগুম ঐখোয়গী চনুরাশিংদা মরুওইনা ঙসিগী মীরোলদা নোংমা নোংমগী থৌদৌ লীক্লম (চেন রিয়েক্সন) অসি কায়রকপগুম উরি। খূদিংমকসি কুপ্না নৈনবা য়ানবা মণিপুরগী নুপীশিংগী অঙনবা অমসুং অথেংবগী শক্লোনশিং অদু শেনমীৎলোন অমসুং লৈঙাক্লেনগী (ইকোনোমী অমসুং পোলিটিকেল) গা মরী লৈননা নৈনবা চঙই।

শেনমীৎলোনদা লমদমসিগী নুপীশিংগী থৌদাং ঃ মণিপুরগী পুৰারীগী লমায়দা ময়েক লানা ইরিবা নুপা খূদিংনা লাললোইবা (সিফাই ওইবা) নুপী খূদিংনা যূম পুবা হায়বা ৰাফমসিনা তাক্লিবসি ইরমদমগী চাউখৎ লীক্লম (সিবিলাইজেসন) ঙাক্লবা হোৎনবদা লৌরকপা শেনমীৎলোনগী থৌদাংদু পল্লি। অচুম্বনি শেল থুমগী ফিবমদদি নুপীনা নুপাদগীসু হেন্না শরুক য়ারি। লমদমসিগী চনুরাশিং চীং অমসুং তম লৈবাকসিগী চাউখৎ খোঙথাংদা য়াংলেন শরু ওইরিবা শেনমীৎলোনগা শাগোন্নরিবা ফিশা লোনশা অসি ফৈগাক ফৈনা পুদুনা লাক্লি। ঙল্লিঙৈগী মতমদা সার জেমস জোনষ্টোননা মাগী ১৮৭৮–৭৯ গী এদমিনিষ্ট্রেটিভ রিপোর্টতা ঐখোয়গী চনুরাশিংনা শাবা লশিংগী ফিশিং অমসুং তাংলবা মুগাগী ফিশিং চাং য়াম্না মপান্দা য়োল্লম্বগী অমসুং পোখোক অসি এসিয়াগী মনুংদা খ্বাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবা পোখোক্লি হায়না মালেমদা শকখঙবিবগী খূদম ফঙই। খরা থেঙথবা মতমদসু ভারতকী তোঙান তোঙানবা জাতি ময়াম্না শেৎন–চানবা কোয়েৎ মচা মরাক পাকপনচিংবা শাদুনা মপান্দগী শেল য়াম্না তাল্লম্মী। লৈবাক মনুংগী ওইনসু নুপী নুপা অনীমক্কী মপানগী য়াওদনা শেৎ চানবা খূদৈ ফনেক ইন্নফিনচিংবা শাদুনা লৈবাকসিগী মপান্দা চৎখিগদবা শেল থুমশিং কন্দুনা কোক্লম্মী।

ফি শাবদা নত্তনা অয়াম্বা চনুরাশিংনা পোইনু লৌরোকপা, চীংজিন লৌকুম্বা তৌদুনা ঙল্লিঙৈগী লৈবাকসিগী মদোম হিংজবা ঙম্নবা লম্বেলদা ফৈগাক ফৈনা পুরকই। অয়াম্বা নুপীনা ঙল্লিঙৈদা পৈশা লৌবা নত্তনা খূৎলং (অমগী মতেং অমনা পাঙনবা) চৎনদুনা য়ামজখিদ্রবা মীশিংসিনা পাকখ্রবা লৌবুকশিংসি শিৎহন্দনা লৈহল্লক্লি। মসিমক অচৌবা নুপীশিংগী মদোম লেপচবা ঙম্নবা শেনমীৎলোনগী অচৌবা থৌদাং অমনি। অসিগীসু মথক্তা তোঙান তোঙানবা লৈতেংগী পোৎ–চৈ শাবা ফিবান লোনবা খোৎপসু অচৌবা শেন্দান লম্বী অমা ওইনা তৌরম্মী।

লৈঙাক্লোন অমসুং ঐখোয়গী চনুরা ঃ

মণিপুরগী নুপীশিং লৈঙাক্লোনদগী নাথৈদুনা লৈ হায়বা লানগনি মরমদি মদোম শরুক য়াবদা য়েংলবসু পাখঙবগী তালোই লৈসনা লৈঙাকপা য়াওরকই, লিম্ছোইঙম্বী লৈঙাকপদা নত্তনা লাঞ্জলকই, চন্দ্রকীর্ত্তি মহারাজ কন্নবা হোৎনবদা নত্তনা মমা কুমুদিনি মহারানীগী লৈঙাক্লোন নেম্মী হায়বা য়াদে। রানী গাইদিনল্যুগী লিচিংখাদা চঙখিবা জেলিয়াংরোং মুভমেন্ট অকনবা বৃটিশকী মায়োক্তনি। মীয়ামগী ওইনা য়েংলবসু নুপী লান অহানবা (১৯০৪), নুপীলান অনীশুবা (১৯৩৯), থৌবাল লান (১৯১৩) নচিংবা অচৌবা লৈঙাক্লোনগা মরী লৈনবা খোঙজংনি। পোলিটিকেল মুভমেন্ট অদু ভারতকী ফিবান্নুংদা লৈরবা মতুংদা ঐখোয়গী নুপীশিংগী শক্লোন অসি মরুওইনা লৈঙাক্লোনগা মরী লৈননা শোম্ছে হায়না মীয়াম্না মোত পীনৈ। মদু তশেংনা ঐখোয়গী চনুরাশিংগী লৈঙাক্লোনগা মরী লৈনবা ৰাখল্লোন য়েংবা চঙই। ভারতকী লৈঙাক ফিবান্নুংদা লৈখ্রবা মতুংদা ঙসিগী তৌশিন্নবা গনতন্ত্রগী লৈঙাক্লোন অসি য়ানিংদদুনা ভোত তৌদুনা লৈঙাকপী ওইনবা নুপী থোক্লমদবসু য়াই। মরমদি মীয়াম্না শেংনা তাহৌরবা ৰাফম্নি মদুদি ষ্টেটহুদ ফঙনবা খোঙজংদা চনুরাশিংনা লাওখিবা ''ঐখোয়গী ম্নাগী কোর্ফু পীরকউ নখোয়গী তুম্বা লৌজখো'' ঐখোয়গী নীংতম্বা ৰাফম অসি ভারত সরকারগী মথক্তা লাউবা মরম্না মখোয়না করি খল্লি হায়বসি তরাই তরাই খঙবা ঙম্মী।

অমুকসু ঐখোয়গী নুপী মীহুৎ লেপকদবসিনা ভারতকী লোয়লমগী লৈঙাক্লোনগা চুশিন্নবা থাও থুম চারবা লাইরিক হৈবী নুপীশিংনি। মখোয়বু শৌগৎকদবা নুপী ময়াম অসিনা মতম অমগী মরৈবাক নীংবা মরৈবাক নুংশিবা মরমদগী শাগোন্নরিবা থৌদোকপু মুন্না খঙবা নুপীশিং ওইবনা অরানবা গনতন্ত্র অমসুং মসিগী সংবিধানগী ফিবান্নুংদা লৈনিংদবা ওইগনি। মরমদি মণিপুরগী খ্বায়দগী চাউনা পোলিটিকেল রিয়েক্সন তৌবসি নুপীশিংনা নুপাদগী হেল্লি। হায়বদি লৈঙাকপগী মীহুৎ ওইবগী মহুত্তা মখোয়বু অরানবা লৈঙাকপদগী খূৎ চিংদুনা অচুম্বা মায়কৈদা পুরকপসি নুপী খুন্নাইদনা তৌই। মসি অচৌবা লৈঙাকপদা শরুক য়াবগী খূদমনি। অদুনা মরম ওইদুনা মৈরা পায়বী ঈহৌ লাকখিবনি। ঙসিদি মসি সরকারনা অপিকপা এরিয়া অমদা মুভমেন্ট তৌনবা নিশাবন্দ ওন্থোকপিদুনা শেন্থং পীশিন্দুনা পোলিটিকেলাইজ তৌনবা হোৎনরি। অদুবু মসিমক মায় পাক্লা চখবা ঙমদবনা সরকারগী মায়োক্তা মীওইবগী হক কন্নবা খোঙজং মরুওইনা ওৎ নৈবা, হাৎপা, খূৎ চল্লগা হাৎপা, ফাখ্রবা মফম খঙহন্দবা, তৌশিন্নবা খূৎথোক্লবা অমসুং নুপীগী ইজ্জৎ নমজা নমথেক্লদুনা মাঙহনবা পূম্নমকসি ঙাকথোক্লবা অকনবা পোলিটিকেল মুভমেন্ট তৌরি। মসিসু অহুমশুবা নুপী লান ওইরক্লবগী স্প্রিংবোর্দনি।

অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতুংদা নুপীগী শক্তম ঃ

অনীশুবা লাঞ্জাওনা লোয়খিবদগী মণিপুরগী নুপীগী শক্তমদা অচৌবা অওনবা লাকখি। পূম্নমকসি লৈঙাক্লোন, শেনমীৎলোন অমসুং খুন্নায়সিগী ফিভমসিনা ওইহল্লকপনি হায়না লৌফম থোকই। সহর অমসুং খুঙ্গংগী লমশিংদা স্কুল, কলেজ লিংখৎলক্কু না মহৈ মশীন হৈরবী কয়া উবা ফংখি। মখোয়গী মরক্তা ডাক্তর, ইঞ্জিনিয়র, উকিল, পুলিস অচৌবনচিংবা কয়া নুপীশিংগী মরক্তা য়াওরকখি। অদুবু বৃটিশশিংনা তম্বীরম্বা লাইরিক মতম্বী, (লোইলমগী মচল য়াওবা এদুকেসন পোলিসি) অসিনা শুপ্নতগী য়াম্না তুংগী ওইনা লাপ্না য়েংবা ঙমদবনা হৌজিক হৌজিক্কী মণিপুর খুন্নায়গী অশেংবা চৎকদবা লম্বীদা চত্তনা ঙাইহাক ঙাইহাক্কী অৰাৎ–অপা, অশোক অপনগী ওইবা থৌদোক ৰাথোক মচা মচাশিংদা ফাওবা শরুক য়াদনা নোংমা নোংমগী লাপথোরক্লি। খূদম ওইনা পল্লবদা ঙসিগী লাইরিক হৈবী কয়ানা মতম খজিক্তংগী ওইবা পম্ছুং উদবা হীরম কয়াদা শেল–থুম অরং অরাক্কী ঈপাক্তা লুপ্তনা লৈখিবনা মরুওইনা অৰাংবা মীরোলগী থাক্তা লৈরিবা লাইরিক হৈবশিংদি লৈবাক্কী ৰাথোক্লা মরী লৈনদবগুম উরি। খূদম ওইনা থারবা চেক্কী মথোল অহুম মরিগী দলান্দা, জীপ কার তোংদুনা মতম মতমগী পোৎ–চৈ ময়াম অমা ৰারী শানিংবা মতমদা টেলিফোন পায়খৎপা, অশাবা মতমদা অইংবা থক্লবা ফ্রিজ, ঙাইহাক পোখাবদা মচুশুরবা টেলিভিজন, পোখাবা মতমদা মোল্লবা অরাম চৌক্রি পূম্নমক অসিনা অৰাৎপা লৈত্রে খন্দুনা থৌদোক ৰাথোক খূদিংমক্তগী ঐখোয়গী শরুক য়াওদে হায়না খন্নবা লাইরিক হৈরকপা মতিক চারকপী ওইরবদি লৈবাক্কী লাইবক করি ওইরি হায়বদু ইরায় লায়না খঙবা ঙমগনি। মরম অসিনা অচৌবা নুপীশিংগী খোঙজং কয়াদা চাংচত্তা লৈজবা য়াম্না হেন্না ৰাখল থোকচদবী খোঙজংসিবুদি শৌগৎপা, নুপীগী মশীং য়াম্বনা ঙসি মখল মথেলগী খোঙজং উজরবসু মফম খঙনা তাঙ্কক অমা লোয়শিনবা নুপী লানগুম্বদি ওইথোকপা হেক হেক ৰাহল্লি।

হৌজিক হৌজিক লৈরিবা মণিপুরগী ৰাথোক লাম্ছোকসিগা য়েংলবদি ১৯০৪ গী অমসুং ১৯৩৯ গী থৌদোক ৰাথোক্তু করিসু নত্তে। ১৯০৪ গী নুপী লান, মৈ থাখ্রবা সাহেবকী বঙ্গলা অদু কবোদগী উনিংথৌ লৌরুদুনা মৈতৈ নুপাশিংদা যূম শাও হায়বগী হুকুমদা, ১৯৩৯ গী নুপী লান্না ঐখোয়গী চেং মপান্দা পুথোক্কুনা য়োনবদা চাবা ফঙনরক্লবা মতমদা হৌবা ইহৌনি। অদুবু ঙসিদি নুপী কয়াগী ইজ্জৎ মাঙলক্লে, তুংগী যূম্বুরেল ওইগদবা নহা কয়াগী মথৰায় মাঙখ্রে। ঐখোয়গী পূন্সি ওইরিবা লৌবুক লৈরক্রে, থায়নদগী চাউখৎচরক্লবা ফিশা লোনশা ঙসিদি পূংমুৎ মুৎখ্রে। মসিদা ইরমদমসিগী নুপীশিংনা মরুওইনা লোইজিং লোয়াগী নুপীশিংনা লাইরিক লাইসু হৈজদবী থৌগায় পুরিবী ইমা ইবেলশিংনা হীরমসিদা কন্না থৰায় য়াওদুনা অচৌবা খোঙজং কয়া চঙলবসু অহুমশুবা নুপী লানগী শেম শাবা হৌরে হায়না উৎলবসু মপুং মরৈ ফানা মশা মরেং শন্দোক্লা চাউখৎলকপা উদ্রি। মরম অসিনা ঙসিগী নুপী খুন্নায়না তত্তনা হংলক্লিবা ৰাহংসি লাইরিক লাইশু হৈবী, মতিক চাবী নুপী ময়াম করম্বা মতমদা পূম্নমকসিগা পুন্না চৎমিন্নদুনা অহুমশুবা নুপী লান তৌদুনা অৰা অনা লৈতবা ৰাত্ত–পাদবা মণিপুর অমা করম্না মতমদা পুরক্কদগে হায়বসিনি।